# নেশনল গেমসতা সনাগী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং লৈঙাক্লা অথুবদা থবক পীবিরবদি মালেমগী থাক্তা লৈবাকসিগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবদা চাওনা মতেং ওইগনিঃ লাইফ্রাকপম রোজিনা

শান্নবুংগী পাউদম
গ্যানন্দ নাওরেম

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা পীক্লবসু পীক্লা মণিপুর শান্ন-খোৎনবগী লমদা মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্লি। অদুবু লমদম অসি লাইরবা ষ্টেট ওইবা অমদি শান্নবগী লমদা চঙশিল্লক্লিবা শান্নরোয় অয়াম্বা লাইরবা ইমুংদগী হৌরকপা ওইবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংগী য়েংলগা লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক্লা নেশনল গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরক্লবা শান্নরোয়শিংদা চান্নবা থবক পীগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু য়াম্না লাইবক ফবনি। অদুমওইনমক নেশনল গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরক্লবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈঙাক্লা থবক পীরক্তবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অদুনা নেশনল গেমসতা সনাগী মেদল লৌরকখ্রবশিং লৈঙাক্লা অথুবদা থবক পীবিরবদি মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা অথোয়-অহেন চাংদম্নবদা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা লৈবাকসিগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবদা চাওনা মতেং ওইগনি হায়না নেশনল গেমসতা টিম অমদি ইন্দিভিজ্যুএলদা সনাগী মেদল লৌরকখ্রবী লাইফ্রাকপম রোজিনানা ফোঙদোরক্লি।



পাউচে অসিগা অখন্ননা উনরুবদা শান্নরোয় অসিনা হায়, মণিপুরগী শান্নরোয় অয়াম্বা লাইরবা ইমুংদগী হৌরকপা ওইবনা মালেমগী থাক য়ৌনা শান্ননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। শেল লৈতবনা মালেমগী থাক্তা শান্নবা চৎনিংলবসু মথৌ তাবা ইক্লিপমেন্টশিং মরুওইনা তেন লৈনবা শেল লৈতবদগী চৎপা ঙমদনা মহাক মশাসু লৈরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা থাজবা পীখিবশিং অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি।

মহাক্লা হায়, অহানবা ওইনা মহাক লাংমৈদোং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ওজা হুইদ্রোম বিজেন্দ্রনাথকী মখাদা খা মণিপুরী আর্চরি ক্লব (কে এম এ সী)দা হৌখিবা কুমজা ২০২০দগী আর্চরি মশান্নদা খোঙদারকখিবনি। মতম অদুদা মহাক্কা হেক পোকমীন্নবী মনাওনুপীসু নেশনল স্পোর্টস একাদেমী (এন এস এ), খুমন লম্পাক্তা লৈদুনা আর্চরি শান্নরমখি। মহাক্কী মনাওনুপীনা ওজা খুরুমজবা (ওজা বোরিবা)গী থৌরম অমগীদমক হুইদ্রোম বিজেন্দ্রনাথ মখোয়গী য়ুমদা লাকখি। মতমদু মহাক ক্লাস টেন এগজাম পীবা লোইরগা লৈবা মতমনি। নুমিৎ অদুদা ওজা বিজেন্দ্রনাথনা মহাকসু আর্চরি শান্নরসি হায়না তাকপীরকপদগী ওজা অসিগী মখাদা আর্চরি শান্নরকখিবনি।

কুমজা ২০২২গী মার্চ ২৭তগী ৩০ ফাওবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পাঙথোকখিবা ২৮ লক শুবা এন টি পি সী সিনিয়র নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। চহী অদুমক্কী এপ্রিল ১৩দগী ২৩ ফাওবা রাজস্থানদা চথখিবা ৩৯ লক শুবা এন টি পি সী সব জুনিয়র নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা মিটর ৩০গী কাঙলুপ্তা সনাগী মেদল, মিক্স টিমদা সেঞ্জেংগী মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা গুজরাটতা সেপ্টেম্বর ২৯দগী ওক্টোবর ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩৬ রক শুবা নেশনল গেমসতা ইন্দিভিজ্যুএলগী ওইনা সেঞ্জেং অদুগা টিমদনা লুপাগী মেদল লৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০২৩দা গোৱানা য়ুম্বু ওইদুনা ওক্টোবর ২৬তগী নবেম্বর ৯ ফাওবা চথখিবা ৩৭ শুবা নেশনল গেমসতা টিমদা সনাগী মেদল অদুগা ইন্দিভিজ্যুএলদনা সেঞ্জেংগী মেদল লৌবা ঙমখি। চহী অদুমক্কী মার্চ ৯দগী ১১ ফাওবা গুজরাটতা পাঙথোকখিবা ২৯ শুবা এন টি পি সী সিনিয়র নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা টিম ইভেন্টকী ওইনা সনাগী মেদল অদুগা মিটর ৫০গী ইন্দিভিজ্যুএলদনা সেঞ্জেংগী মেদল লৌবা ঙমখি।

চহী অদুমক্কী নবেম্বর ১৫দগী ২২ ফাওবা রাজস্থানদা চথখিবা ৪৩ শুবা এন টি পী সী জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপতা টিম অমসুং ইন্দিভিজ্যুএলদা লুপাগী মেদল অমমম লৌবা ঙমখি। অদুগা নবেম্বর ২৪দগী ৩০ ফাওবা উট্টর প্রদেশতা পাঙথোকখিবা ৩০ শুবা এন টি পী সী সিনিয়র নেশনল চেম্পিয়ন্সিপতা সনাগী মেদল অনী লৌবা ঙমখি। অদুগা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৫দগী ২০ ফাওবা ঝরখন্দ আর্চরি এসোসিএশনননা শীন্দুনা জমসেদপুরগী গোপাল মৈদানদা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা এন টি পি সী সিনিয়র ইন্দিয়ান রাউন্দ নেশনল আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপতা মিটর ৫০গীদা সনাগী মেদল, মিক্স টিমগী মিটর ৩০গীদা লুপাগী মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৮দগী ফেব্রুৱারী ১৪ ফাওবা চথখিবা ৩৮ লক শুবা নেশনল গেমসতা মহাক্ল। ইন্দিভিজ্যুএলদা সনাগী মেদল অদুগা টিমদনা লুপাগী মেদল লৌবা ঙমখি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ান রাউন্দদা শীজিন্নরিবা তেন অমসুং মচাকশিং অসি মরুওইনা মণিপুরদা শারি। মহাক্কী ওজা হুইদ্রোম বিজেন্দ্রনাথনা শাদুনা মণিপুর খক্তা নত্তনা অতোপ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ফাওবা তেন সপ্লাই তৌরি। মসিদি মমল কা হেন্না তাঙবা ওইদবনিনা শান্নরোয় অমনা লৈবদা কা হেন্না অৱাবা ওইরোইদ্রা খল্লি। অদুবু মালেমগী ওইবা অথোয়-অহেন চাংদম্নবদা শীজিন্নরিবা (রিকর্ভ নত্রগা কম্পাউন্দ) তেন অমসুং খুৎশু-খুৎলায়শিং অসিদি ময়ায় ওইনা খরা ফজনা শীজিন্নবা য়াবদা লুপা লাখ ৩/৪গী মথক্তা পীরি। অসিগুম্বা মখলগী অতাঙবা তেন অসি মণিপুরগী শান্নরোয় অয়াম্বনা লৈনবা হোৎনবদা অৱাবা পোৎলুম অমদি ওইরি। অদুগা ঙমদবনসু অয়াম্বনি। মরম অদুনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা অথোয়-অহেন চাংদম্নবদা য়াওদুনা ইরমদম ইরৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লিংবগী অপাম্বা ৱাখলদা লৈরবসু তেন লৈবা ঙমদবগী নীংহন্নবনা মরম ওইরগা নুংঙাইতবা কয়া থম্মোয়দা ফাওরি। মালেমগী থাক্তা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অসি মতৌ করম্না পুথোক্কদগে হায়বসি খনবা মথৌ তাই। লমদম অসিদা টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয় কয়া লৈ মদুনা মরম ওইরগা লমদম অসি লৈবাক অসিগী স্পোর্টসকী পৱার হাউসনি হায়নরিবনি। অদুবু লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অদুদি হৌজিকসু অদুমক কোকপা ঙমদনা লৈরি। ৩৭ শুবা অমসুং ৩৮ শুবা নেশনল গেমসতা মহাক্লা সনাগী মেদল অমমম লৌবা ঙমখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈঙাক্লা মঙোন্দা থবক পীরকপা লৈত্রি। নেশনল গেমসতা সনাগী মেদল লৌরক্লবদি থবক পীগনি হায়বা লৈঙাক্কী স্পোর্টস পোলিসি মতম চানা থবক্তা ওন্থোক্লবদি শান্নরোয়শিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং খরা মখৈদি কোকপা ঙমগনি। লৈঙাক্লসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা অথুবদা থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়খি।




‘মালেমগী থাক্তা অথোয়-অহেন চাংদম্নবা য়াওনিংলবসু তেন লৈনবা শেল লৈতবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শান্নবা চৎপা ঙমদবগী নীংঙমদবা পোক্নুনা লৈরি’

পনবা য়াবদি, লাইফ্রাকপম রোজিনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট লাংমৈদোং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা লাইফ্রাকপম ঈশিংচাওবা অমসুং লাইফ্রাকপম ওংবী সঙ্গিতা অনীগী মচা ৫ ফংজবগী মনুংদা অহুমশুবী মচানুপীনি। মহাক হৌখিবা কুমজা ২০০৫গী মার্চ ১৫দা তাইবংদা খোঙদোরকখিবনি। মহাক্কী মখাদা মনাওনুপী অমা অমসুং মৌপ্পা অমা লৈ। রোজিনাগী অপোকপা লৌমীনি অদুগা অপোকপী মমানা ইমুংগী থবক শুদুনা চম্না হিংজরিবা ইমুংনি। রোজিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা ককচিং খুনৌ কোলেজদগী ফিজিকেল এদ্যুকেসনদা চহী অসিগী মে ২৫দা গ্রেজুএট লোইশিনখ্রে।

## মণিপুর জুনিয়র মেন হোক্কি টিম ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস):** হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পঞ্জাবনা য়ুম্বু ওইদুনা জ লনধরদা চথরিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র মেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী দিভিজন এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুর হোক্কিনা দদ্রা এন্দ নগর হবেলি এন্দ দামন্দ এন্দ দ্যু হোক্কি মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদগী হৌরগা মণিপুর হোক্কি অমদি দদ্রা এন্দ নগর হবেলি এন্দ দামন্দ এন্দ দ্যু হোক্কিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী মণিপুর হোক্কিগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ২০ শুবা মিনটতা মণিপুর হোক্কিগী রিকি তোঞ্জমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুর হোক্কিনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুদা মণিপুর হোক্কিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুগা দদ্রা এন্দ নগর হবেলি এন্দ দামন্দ এন্দ দ্যু হোক্কিগী মায়কৈন্দগী পাঞ্জল অমখক্তমক চনবা ঙমখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জলশিং টিম অনীমক্লা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু মণিপুর হোক্কিনা পাঞ্জল ৫-১দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

## ত্রায়ল কম সিলেক্সনদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস):** টামিলনাড়ুগী দিনদিগুলদা মথং থাগী ২৫গী হৌরগা ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭১ রক শুবা সিনিয়র নেশনল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়ানবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রায়ল কম সিলেক্সনদা শরুক য়াগদবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বোল বেদমিন্টন এসোসিএশন মণিপুর (বি বি এ এম)গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এসোসিএশন অসিগী এগজিক্যুটিব কম্মিটিনা নুপা অমসুং নুপী টিমদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিং রিকমেন্দ তৌরকখিবনি। হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসিনা থা অসিগী ২১দগী ২৫ ফাওবগী অয়ুক পুং ৬ তাবদা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা নৈলিট অকাম্পাৎতা লাক্নুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি।

ত্রায়ল কম সিলেক্সনগীদমক খনখ্রবা মেন টিমদা য়াওরিবশিংদি এস ঐচ সুসিলকুমার, ত্রিসুল থিয়াম, লৈশানবম প্রেমচান্দ, অর্বিন্দ মৈতৈ, ধনরাজ সাপম, লাইখুরাম টেনিসন, প্রিয়োরঞ্জন সোইরেনসংবম, বেঞ্জোন য়ুম্নাম, মালেমঙানবা ওইনাম, জেক্সন কৈশাম, ধনবির আর কে, আর কে মিরানন্দ, ইকোকলেন দল্লিয়ু, মুতুম চীঙ্খে, কে ঐচ থোইথোই, লকি লোংজম, সন্তাইঙম্বা মৈস্নাম, হেনরি অয়েকপম, সন্তোস, বাবুসনা, প্রবিন্সন অমসুং টি রখালনি।

নুপী টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংনা ৱাইখোম প্রিয়ালক্সমি, মেক্সি চোংথাম, মোইরাংথেম বেরিনা, স্বাটিস্রি থিংবাইজম, খৃষ্টিনা পোৎশংবম, লেম্বীসনা ক্ষেত্রিমুয়ুম, রোসনি ওইনাম, বুসোরিয়া কাংজম, সোইবম রবিয়া, টি পি ইনজিয়াং গাইলু, এলাংবম তামা, অসুনে ইনাহা, এল দোলি, এল ক্রিপামৈ, মাইবম জরিনা, শরুংবম গ্লোরিয়া, কে ঐচ দেবিকা, টি ঐচ সেরেনা, লাইশ্রম মেরিন্দা, স্বিটিশ্রি টি ঐচ, ওসিয়া লাইশ্রম, দাইনা মোইরাংথেম, জ সিন্তা হাওবম, সুমন সোরোখাইবম অমসুং গ্রিমি ওইনামনি।

ত্রায়ল কম সিলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবশিং কুমজা ২০১০গী জন্যুৱারী ২ নত্রগা মসিগী মতুংদা পোকপা ওইগদবনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুশনশিং, ক্লবশিং, য়ুনিটশিংনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোয়শিং ত্রায়ল কম সিলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মতম চানা থারক্কদবনি হায়রি।

## মাবাগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস):** মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডিং এসোসিএশন (মাবা)গী মীৎয়েং মখাদা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট লেভেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কন্টেষ্টশিংগী কেলেন্দর ঙসি ফোঙখ্রে।


এসোসিএশন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সাপম জয়চন্দ্রনা হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রেসতা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মথং থাগী ২১দা ওইনাম পব্লিক হোলদা ২ রক শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন মিষ্টর ইবুধৌ তাংলৈ অথোয়বা অমদি অহানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওপন বোডি বিল্ডিং অমদি মেন্স স্পোর্টস ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ পাঙথোক্লগনি। মখা তাবা ওইনা য়াইরিপোক টোপ চিংথাদা সেপ্টেম্বর ২৭তা ৮ লক শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন মিষ্টর লময়ানবা অমসুং ১১ রক শুবা মিষ্টর য়াইরিপোক বোডি বিল্ডিং এন্দ মেন্স স্পোর্টস ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

লোয়নননা মাবাদা হান্নদগী রেজিষ্ট্রার তৌরবা জিমশিংগী শান্নরোয়শিংনা নৌনা জিম ত্রান্সফর তৌনিংবা অমদি অনৌবা জিমশিংনা মাবাদা এফিলিয়েসন তৌনিংলবসু সেপ্টেম্বর ১দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা তৌবা য়াগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা মাবাগী ওফিসতগী নত্রগা মাবাগী জেনরেল সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।






## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1567**

**WFM Alexandra Martinez de La Trinidad (1932) - WIM Fiorella Contreras Huaman (2341)**
**16th American Cont. Women Oaxtepec MEX, 2025.05.05**

1.e4 c6 2.d4 d5 3.e5 Bf5 4.Nf3 e6 5.Be2 Nd7 6.O-O a5 7.c4 dxc4 8.Bxc4 Nb6 9.Bd3 Ne7 10.Nc3 Bg4 11.Be3 Ned5 12.Ne4 Be7 13.Ng3 Nxe3 14.fxe3 Nd5 15.Qe1 O-O 16.h3 Bxf3 17.Rxf3 c5 18.Rd1 Bh4 19.Qe2 Rc8 20.Ne4 Be7 21.dxc5 Bxc5 22.Rg3 Qh4 23.Qf2 Be7 24.Nf6+ Bxf6 25.exf6 Qxf6 26.Qe2 Qe5 27.Qf2 Nb4 28.Bb1 Rcd8 29.Rf1 Nd3 30.Qf3 Nxb2 31.Rg4 f5 32.Rh4 Nd3 33.Kh1 Qf6 34.Qh5 Qg6 35.Qf3 b6 36.Qc6 Qg3 37.Qxe6+ Kh8 38.Rh5 Ne1 39.Rg1 Rd1 40.Bxf5...

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1566 Solution :**

**37. ...Qf2+** *The black queen decoys White's rook.* **38.Rxf2**
*38.Kxf2 Nxd3+ 39.Kg3 Nxb2*
**38. ...Nxd3** *The black knight forks White's rook and bishop.*
**39.Bxg7 Nxf2 40.Kxf2 Kxg7**
**0-1**









Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com